# নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা ট্রেনিং মখা চথবগী পোলিসি ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হায়খ্রে



*ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এজেন্সি)ঃ*
মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়র্সকী গাইদলাইনশিংগী মতুং ইন্না ৪শুবা লোকদাউন ফেজদা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমসুং ষ্টেদিয়মশিংস্পেক্টেটর য়াওহন্দনা হাংদোকপদা য়াহনখ্রে। নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী এথলেটশিংনা মখা তানা ট্রেনিং অমুক হৌবগী পোলিসি ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হায়খ্রে।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া ( এ এফ আই) গী প্রসিদেন্ট আদিল্লে সুমারিৱালনা ফোঙদোকখিবদা এথলেটশিংগী ট্রেনিং তৌবগী চপ চাবা ৱাফম খঙহল্লক্কবা লৈঙাক্কী মায়কৈদা খঙহল্লক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা এথলেটশিংদা সেফ ওইরোইদৌবা লৈরবদি চথগদৌরিবা ট্রেনিং অসি নোংমা–নীনি থেংথবনা হেন্না ফগনি। মসি এথলেটশিংগী হেল্থতা রিস্ক লৈতনবনি হায়খি।

কোরোনাভাইরসনা মরম ওইরগা লোকদাউন থল্লিবা অসিগী মরিশুবা ফেজ ওইনা ঙরাং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়ার্সকী মায়কৈদগী থা অসিগী ৩১ ফাওবা শাংদোক্লে হায়না লাওথোরকখিবনি। লোকদাউন ফেজ ফোরগী চৎন–কাঙলোনশিং ওইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ষ্টেদিয়ম অমসুং স্পোর্টস কমপ্লেক্সশিং স্পেক্টেটর য়াওহন্দনা হাংদোকপদা অয়াবা পীখিবনি।

নেসনেল স্পোর্টস ফেদরেসনশিংনা স্পোর্টস মিনিষ্ট্রি অমসুং স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াদগী অকুপ্পা ৱারোলশিং অদু ঙাইহরি। মখোয়গী ৱারেপকী মতুং ইন্না ট্রেনিং সেসন হৌগনি হায়খি।

নাকল অমরোমদা হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু নুপা অমসুং নুপীগী নেসনেল কেম্পশিং হৌনবগী চান্নবা গাইদলাইনশিং অমসুং এপ্রুভেল ফংনবা হোৎনরি। ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপী হোক্কী শান্নরোইশিং থা অনীরোমগী মমাঙদগী বেঙ্গলোরদা লৈবা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা অথিংবা কয়া অমা থমদুনা লৈরকখিবনি।

হোক্কী ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপা অমসুং নুপীগী কোর প্রোবেবলশিংগী পিটচ ট্রেনিংগীদমক এপ্রুভেল লৌনবগীদমক চে থাজিনখ্রে অমসুং মসিগী কনর্ফামেসন ঙাইহরি হায়না ফেদরেসন অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। হোক্কী ইন্দিয়াগী চেরোল অসি এপ্রিল ১১ দা মিনিষ্ট্রিদা মমাঙদা থাজিনবা লৈখ্রবনি।

স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরগী রিজনেল দাইরেক্টর কেপ্টেন অজয় কুমার বাহলনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না এস এ আইগী মায়কৈদগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্ত্রিঙৈদা ওফিসিয়েল ওর্দরগী মরোলশিং অদু ঙাইহরি।

এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট সুমারিৱালনা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয়না গভর্ণমেন্ট এপ্রিভেল অদু থা অমরোমগী মমাঙদগী ঙাইরক্লি। পটিয়ালাদা লৈবা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টস অসি এদুকেসনেল ইন্সটিট্যুট অমনি। লোকদাউনগী অনৌবা ওর্দর অসিদা ইন্সটিট্যুসনশিং মখা তানা থিংবগী ৱাফমসু য়াওরিবনি।

মরমশিং অসিনা ঐখোয়না স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী অশেংবা অমা খঙদ্রিবফাওবা ট্রেনিং তৌবা হায়বদি এথলেটশিংদা খুদোং থিনিংঙাই ওই হায়খি।

# বেয়র্ন ম্যুনিক্না য়ুনিয়ন বর্লিনবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা বুন্দেসলীগাগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরি



*বর্লিন, মে ১৮ (এজেন্সি)ঃ*
জর্মনিগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট বুন্দেসলীগাগী ২৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা বেয়র্ন ম্যুনিক্না য়ুনিয়ন বর্লিনবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৫৮ ফংদুনা মকোক থোংদুনা চৎপা ঙম্লি।

বুন্দেসলীগাগী ঙরাং অথেংবদা য়ুনিয়ন বর্লিন্না য়ূম্বু ওইদুনা শান্নখিবা লীগ মেটচ অসি হৌরকপদগী টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। এফ সি বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা এটেক খরা হেন্না চথবা ঙমখ্রবসু য়ূম্বু টিম য়ুনিয়ন বর্লিনগী দিফেন্দরশিংনা খুদোংচাবা পীখিদে।

শান্নবগী ১৮শুবা মিনিটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোই থোমাস মুল্লরনা গোল অমা চনখি। মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোইশিংনা গোল অদু ওফসাইটনি হায়না অকনবা মওংদা কমপ্লেন তৌরকপদগী ভিদিও এসিষ্টেন্ট রেফরিগী খূথাংদা য়েংবদা ওফসাইট তারম্বদগী রেফরিনা গোল অদু পীখিদে।

গোল একাউন্ট হাংদোক্নবা হোৎনবদা টিম অনীগী শান্নরোইশিংনা অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা লাকখি। অদুবু গোল ওথোকপগী য়াবগী খুদোংচাবা ফংনখিদে। শান্নবগী ৩৯শুবা মিনিটতা শুবা মিনিটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী শান্নরোই লিওন গোরেটজকাদা য়ুনিয়ন বর্লিনগী শান্নরোই নেভেন সুবোটিকনা মখোয়গী পেনাল্টি বোক্সর মনুংদা চৎন–পথাপগী ৱাংমদা ফাওল তৌরুবদগী বেয়র্ন ম্যুনিক্না পেনাল্টি অমা ফংখি।

গোল শোয়দনা ওইবগী খুদোংচাবা লৈরবা কিক অদু বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোই রোবার্টো লিৱান্দোস্কীগা গোল ওন্থোক্তুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি। গোল শোত্থরবা য়ুনিয়ন বর্লিনগী শান্নরোইশিংনা ইক্বেলাইজর ওইনবা হোৎনবা হৌরকখি। অমরোমদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনসু কাউন্টর এটেক চথদুনা অহেনবা গোল চনশিন্নবা হোৎনখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মতম লোয়শিনখিবা ফাওবদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী রোবার্টো লিৱান্দোস্কীনা পেনাল্টিদা চনখিবা গোল অদুনা লোয়শিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু গোল মাঙজিল থারিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা এটেক চথবগী চাং হেন্না ৱাংখি। বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা বোল অদু কন্ট্রোল তৌদুনা মতম পূম্নমক্তা লাকখিবদগী য়ুনিয়ন বর্লিনগী শান্নরোইশিংনা গোল হন্দোকপগী খুদোংচাবা ফংখি।

মেটচকী অপীবা মতম লোয়শিল্লক্কদৌরবা মিনিট য়ামশিল্লত্ত্রবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখ্রবসু অহেনবা গোল চনশিনবা ঙম্নদনা লাকখি। শান্নবগী ৮০শুবা মিনিটতা গোল মাঙজিল থারিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা জোসুৱা কিম্মিচনা পীরকপদা পাস অমদা টিমমেট বেঞ্জামিন পাভার্দনা গোল ওন্থোক্তুনা ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

শান্নবগী মতম লোয়শিনখিবা ফাওবদা য়ূম্বু টিম ওইরিবা য়ুনিয়ন বর্লিনগী শান্নরোইশিংনা শোত্থখিবা গোল অনী অদু হন্দোকপা ঙমখিদবদগী ২৬শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদু বেয়র্ন ম্যুনিক্না য়ুনিয়ন বর্লিনবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীদুনা লীগ অসিগী টেবলদা পোইন্ট ৫৮ ফংদুনা মকোক্তা লেঙদনা লৈবা ঙমখি।

অতোপ্পা পাউ অমদা জর্মনিগী সেকেন্দ দিভিজন বুন্দেসলীগাগী লীগ মেটচ অমদা এফ সি সেন্ট পাওলিনা এফ সি নর্নবর্গপু গোল ১–০ দা থোইখি। মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু শান্নবগী ৮৪শুবা মিনিটতা সেন্ট পাওলিগী শান্নরোই ভিক্টর গাইওকেরেসনা চনখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা লীগ মেটচ অমদা ৱেহেন ৱৈজবাদেননা ষ্টুট্টগার্টপু ২–১ দা থোইখি। ৱেহেন ৱৈজবাদেনগী গোলশিং অদু মেনুয়েল স্কেফ্লর (৫০) অমসুং ফিলিপ টিএটজ (৯০, পেনাল্টি) দা চনখিবনি। অদুগা ষ্টুট্টগার্টকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা শান্নবগী ৮৩শুবা মিনিটতা টিম অসিগী শান্নরোই নিকোলাস গোঞ্জালেজনা চনখি।

# ফিফানা ফন্দ তান্নবা ফুটবোল মেটচ শান্নহনগদৌরি

*লোজেন, মে ১৮ (এজেন্সি)ঃ*
ফেদরেসন ওফ ইন্টরনেসনেল ফুটবোল এসোসিয়েসন (ফিফা) না কোরোনাভাইরস লান্থেংনরিবশিংদা মতেং পাঙনবগী পান্দমদা ফন্দ হেনগৎহন্নবগীদমক ওফিসিয়েল ফুটবোল মেটচ শান্নহন্নবা থৌরাং তৌখ্রে।

ঐখোয়না অমনা অমগী মতেং পাঙনদুনা অপুনবগী শক্তম শাগৎতুনা অঙম্বা থৌদাংশিং অদু পাঙথোক্তুনা পেন্দেমিক অসি মপুং ফানা থেংনবা শরুক য়াবা মতম ওইরে হায়না ফিফাগী প্রসিদেন্ট জিয়ান্নী ইনফান্টিনোনা ফোঙদোকখি।

ফিফানা শিল্লিবা অহানবা ওফিসিয়েল ফুটবোল মেটচ অসিনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মালেমগী মফম কয়াদা কোভিদ–১৯ লান্থেংনরিবশিংদা চাওনা মতেং পাঙলগনি। গ্লোবেল কোলাবোরেসন অসিনা কোরোনাভাইরস মূখৎনবগী লান্থেংনবদা চঙবা হেল্থ টেক্নোলোজিশিং অমসুং ভেক্সিন পুথোকপদসু মতেং ওইগনি হায়রি।

ঐখোয়না হকথেংননা য়াওশিন্দুনা এৱারনেস কেম্পেন কয়ামরুম পাঙথোকপা মথৌ তাই। এৱারনেস কেম্পেনশিং পাঙথোকপদা ফিফাগী মায়কৈদগী অঙম্বা মতেং পাঙগনি। মরম অসিনা ঐখোয়না হৌজিক্তি গ্লোবেলগী ওইনা ফন্দ হেনগৎনবা ইভেন্ট পাঙথোকপা মথৌ তারে। মেটচশিং পাঙথোকপদা হেল্থগী খুদোংচাদবা লৈরি। মসি মতম খরগী নত্তে হায়না ফিফাগী চীফ ইনফান্টিনোনা মখা তাখি।

ক্রোসৱার্ড ৫২২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| W | A | S | T | E | | A | B | L | E | | P | A | P | A |
| A | S | H | E | S | | G | A | I | N | | E | R | A | S |
| R | E | A | M | S | | U | S | E | R | | R | E | S | T |
| T | A | R | P | | | A | S | S | O | C | I | A | T | E |
| | | P | T | A | S | | | | L | O | O | S | E | R |
| E | V | E | | S | T | A | R | T | L | E | D | | | |
| P | I | N | | P | A | R | E | R | | D | I | N | G | O |
| I | S | E | E | | T | I | N | E | S | | C | O | I | N |
| C | A | R | A | T | | S | T | A | L | E | | I | N | C |
| | | | S | E | M | E | S | T | E | R | | S | S | E |
| A | L | P | I | N | E | | | | W | E | R | E | | |
| R | O | U | N | D | T | R | I | P | | | A | L | T | O |
| O | G | L | E | | R | I | D | E | | S | T | E | I | N |
| M | I | S | S | | I | C | E | R | | A | I | S | L | E |
| A | C | E | S | | C | H | A | T | | N | O | S | E | S |

# সেন্টরনা থমখিবা অথিংবশিং কোমথোকপা য়ারোই: হোম মিনিষ্ট্রি

ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এস এন এস) ঃ
কোভিদ–১৯ না মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা কেটেগোরি কয়া খাইদোক্তুনা থম্লিবা অথিংবশিং অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিং অদুনা কোমথোকপা য়ারোই। অদুবু মখোয়গী ষ্টেট অদুগী খুদোংচাগদবা য়েংলগা অহেনবা অথিংবশিং থম্বদি য়াগনি হায়না ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টকী হোম সেক্রেটরী অজয় ভাল্লানা লৈবাক অসিগী চীফ সেক্রেটরিশিংদা থাবা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মরিশুবা ওইনা চথরিবা লোকদাউন অসিগী মতাংদা এম ঐচ এনা পীখিবা চৎন–কাঙলোনশিংদু ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংনা ঙাক্না চৎপা ঙন্নবা হোৎনগদবনি। হায়রিবা কাঙলোনশিং অসি থা অসিগী ১১ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ষ্টেটশিংগী সি এমগা ভিডিও কনফরেন্সকী খূথাংদা ৱারী শান্নখিবা অদুদা ষ্টেটশিংনা পীরিবা মোট অদু য়েংলগা লেপখিবনি।

ঙসিদগী হৌদুনা চৎনরিবা অনৌবা গাইদলাইন অসিগী মনুং চন্না কন্টেইনমেন্ট জোনশিংদা মেডিকেল ইমর্জেন্সি অমদি ইসেন্সিয়েল গুদ সপ্লাই নত্তনা অতৈ অতোপ্পা চথোক–চৎশিনগী থবক অমত্তা য়াহন্দবনচিংবা ৱাফম কয়া য়াওরি। লোয়ননা রেদ, ওরেঞ্জ অমদি গ্রীন জোনশিংগী খেন্নবা থমদনা লৈবাক শীনবা থুংনা থমগদবা অথিংবা কয়া অমসু লৈরি।

হায়রিবা পূম্নমক অসি গভর্ণমেন্টশিং অদুনা মাগী–মাগী ষ্টেট অমদি য়ুনিয় টেরিটোরিশিং অদুদা মপূং ফানা চৎনবা ঙন্নবা কুপ্না য়েংশিনগদবনি হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

# নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সিনা অশোয়–অঙাম য়াওদনা সেম্পল কলেক্সন তৌনবা শেম শাখ্রে




*ন্যু দিল্লি, মে ১৮ (এজেন্সি)ঃ*
নেসনেল এন্টি দোপিং এজেন্সি (এন এ দি এ) না অশোয়–অঙাম য়াওদনা সেম্পল কলেক্সন তৌনবা শেম শারে হায়না বোদি অসিগী দাইরেক্টর জেনরেল নভিন অগরৱালনা ন্যুজ চেনেল অমদা ফোঙদোকখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিনা স্পোর্টস কমপ্লেক্স অমসুং ষ্টেদিয়মশিং স্পেক্টেটর য়াওদনা হাংদোকপা য়াখিবদগী নাদাগী মায়কৈদগী লৈবাক অসিগী এথলেটশিংবু দোপ টেষ্টকী সেম্পল কলেক্সন তৌনবা ৱাফম ফোঙদোকখিবনি।

কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্কী ফ্রন্ট লাইন মেডিকেল ৱার্কর ওইরিবা দোপ কন্ট্রোল ওফিসারশিং এথলেটশিংনা ট্রেনিং হৌরকপা মতমদা সেম্পল কলেক্সন তৌবদা থারোই হায়না নাদাগী দাইরেক্টর জেনরেল নভিন অগরৱালনা ফোঙদোকখি।

অগরৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নাদাগী মায়কৈদগী চৎনগদবা গাইদলাইনশিং শেম শারে। বোদি অসিনা সেম্পল কলেক্সন তৌবগী গ্রিন লাইট অদু স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী হৌজিক ঙাইহরি। নাদাগী ওইনসু দিসিপ্লিনারি হিয়ারিং মে ৮ দগী হৌখ্রবনি।

বোদি অসিগী মায়কৈদগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা স্পোর্টিং এক্টিভিটিজ হৌগদবা সেন্টরশিং অদু খঙহনবিনবা হায়জখ্রে। এক্টিভিটিজশিং হৌরকপদা নন–কন্টেক্ট স্পোর্টস হান্না হৌরগনি হায়বা খঙলে হায়না অগরৱারনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নাদাগী মায়কৈদগী সেম্পল কলেক্সন তৌবদা ফ্রন্টলাইন ৱার্কর ওইনা গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটাল কয়াদা থবক তৌরিবা দি সি ওশিং শীজিন্নরোই। মখোয়শিং অসি ক্বারেন্টিন তৌবা মথৌ তারি হায়না নাদাগী দাইরেক্টর জেনরেল নভিন অগরৱালনা ফোঙদোকখি।

হৌজিক্কী ওইনদি টেষ্ট তৌগদৌরিবা এথলেটশিং অদুগী য়ুরিন সেম্পলশিং অদু রেজিষ্টার্দ টেষ্টিং পুল (আর টি পি) গী মখাদা কলেক্ট তৌগনি। এথলেটশিং অসি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলেম্পিক গেমস ক্বালিফাইদ ওইরবা ওইরি। আর টি পিগী ইলাইট কম্পিটিটরশিংনসু মথৌ তাবশিং অদু এন্টি দোপিং এজেন্সিগা সেয়র তৌনগদবনি।

হৌজিক্কী মতম অসিদা ব্লদ সেম্পল কলেক্সন তৌবগী চৎথোক–চৎশিন্দা খুদোংচাদবা কয়া লৈরি। ঙসি এগরৱাল অমসুং নাদাগী টোপ ওফিসিয়েলশিংগা লোয়ননা ভিডিও কনফরেন্সকী খূথাংদা ৱারী শান্নখি। ভিডিও কনফরেন্স অসিদা দি সি ওশিংসু য়াওদুনা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা ৱা খন্নখি।

ভিডিও কনফরেন্স অদুদা দি সি ওশিংনা চৎনগদবা গাইদলাইনশিং পীখি। মখোয়না সেম্পল কলেক্সন চৎপদা অথিংবা থল্লি। মরমদি দি ও সি অয়াম্বনা হৌজিক ফ্রন্টলাইন ৱার্কর থৌদাং লৌদুনা গভর্ণমেন্টকী হোস্পিটালদা থবক তৌরিবনি।

লায়ওং উৎথোকপা মীওইশিংসু এথলেটশিংগী ব্লদ সেম্পল লৌবা চৎপা য়াদে। কোভিদ–১৯ সেন্টরশিংদা থবক তৌরিবা মীওইশিংনসু এথলেটশিং টেষ্ট তৌবা য়াদে। সেম্পল কলেক্সন তৌবগী থবকশিং অসি সেফ ওইহনবা মথৌ তাই হায়না অগরৱালনা ফোঙদোকখি।

অগরৱালনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মেনপৱারনা প্রোব্লেম অমা নত্তে। কম্পিটিসনশিং হেক লেপখিবদগী এথলেটশিংগী টেষ্ট তৌগদবা থবক কয়া অমদি লৈরি। থবকশিং অসি তপ্না তপ্না লৌখৎতবা য়ারোই। হৌজিক্কী ওইনা বেঙ্গালুরু অমসুং পটিয়ালাদা সেম্পল কলেক্সনগী মীওইশিং থাবনা অহানবা থৌরাং ওইগনি।

ব্লদ সেম্পল কলেক্সন চৎপদা শীজিন্নবা পি পি ই কিটশিং নাদাগী মায়কৈদগী পীগনি। পি পি ই কিটশিং কয়াম চঙগদগে হায়বদি জোনশিংগী মতুং ইন্না খঙগনি। ঐখোয়না দি সি ওশিংনা মাক্স অমসুং গ্লোবশিং উপ্পবগী গাইদলাইনশিং ফোঙদোকখ্রে। মখোয়না পি পি ই স্যিট অমসুং ফেস সিল্ডশিং শীজিন্নগদবনি। প্রোটেক্টিভ ইক্বিপমেন্টশিং অসি জোনশিং খেন্নবগী মতুং ইন্না লেপকনি অদুগা এথলেটশিং লাপ্পবগী ষ্টেন্দর্দ অসি য়ার্দ অনীনি হায়রি।

# সেল্টিক্না স্কোটিস সিজনগী চেম্পিয়ন ওইনা লাওথোকখ্রে

*ইদিনবর্গ, মে ১৮ (এজেন্সি)ঃ*
কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা মখা তানা চথবা য়াখিদবদগী লোইশিনখ্রবা স্কোটলেন্দগী ফুটবোল লীগ ঙসি ভোট লৌরবা মতুং সেল্টিক্না চেম্পিয়ন ওইরে হায়না এস পি এফ এলগী মায়কৈদগী ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টিম ১২ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা লেদব্রোক্স প্রেমিয়রসিপ ২০১৯–২০ সিজন অসি কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না মরম ওইরগা লোয়শিনবা য়াখিদবনি। মরম অসিনা সিজন অসিগী চেম্পিয়ন সেল্টিকনা ওইরে অদুগা পোইন্ট টেবলগী মমৈদা লৈখিবা হার্টসনা লেদব্রোক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা রেলিগেট তৌখিবনি হায়রি।

স্কোটলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট লেদব্রোক্স প্রেমিয়রসিপ অসি নোবেল কোরোনাভাইরসকী লায়চৎ মালেম শিংবা থুংনা শন্দোরকপদগী হৌখিবা মার্চ থাদগী লেপ্তুনা লাকখিবনি।

স্কোটিস গভর্ণমেন্টনা শান্নরোইশিং অমসুং মীয়াম্বু তেক্ত–কায়দনা লৈনবগীদমক অকনবা মওংদা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা লাকখি। কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক অসি শন্দোকপা লেপ্তবদগী লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী অরোইবা ৱারেপ অদু ভোট তৌদুনা ঙসি লৌখিবনি হায়রি।

# বোক্সর মনিস কৌশিকনা পঞ্চকী শাফু হেনগৎনবা অকনবা মওংদা ট্রেনিং চথরি

*কোলকটা, মে ১৮ (এজেন্সি)ঃ*
ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর মনিস কৌশিকনা লোকদাউন মনুংদা অকনবা মওংদা ট্রেনিং চথদুনা মহাক্কী পঞ্চকী শাফু হেগৎনবা হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর মনিস কৌশিক মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৬৩ গী কেটেগোরিদা ব্রোঞ্জ মেডল ফংবা ঙমখিবনি। লৈবাক অসিদা কোভিদ–১৯ পেন্দেমিক্না লোকদাউন লৈশিনখিবদগী কৌশিকনা মহাক্কী পঞ্চকী শাফু হেনগৎনবা মায়কৈদা কন্না পূক্নিং চঙলি।

অয়ুক্কী মতমদা মহাক্না পঞ্চকী শাফু অদু হেনগৎনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি অদুগা নুংথিলগী মতমদনা টেক্নিকশিং হেনগৎনবা হোৎনরি। চয়োল অমগী মনুংদা লৈঙোক মরক্তা অমসুং খুঙ্গংগী হিললোক্কী মনাক্তা চেন্দুনা অহেনবা থৌনা ফংনবা হোৎনরি।

মনিস কৌশিক হরিয়ানা ষ্টেটকী ভিৱানি দিষ্ট্রিক্তকী দেভসার খুঙ্গংদগীনি। মহাক্কী ইমুং মনুং শা–ঙাচাদে। অদুবু ঐহাক্তি শা–ঙাশিং চারি। ঐহাক্না নোংমগী চঙদবা য়াদ্রবা প্রোটিনশিং ফংনবা গ্রাম অমসুং সোয়াবিন চারি হায়না মশাগী চহী ২৪ শুরবা ইন্দিয়াগী বোক্সর অসিনা ফোঙদোকখি।

ঐগী ইনাওনুপা সাহিলগী ঐনা চহী ৫ হল্লি, মহাক্কী ফ্রি ওইবা মতমদা ঐহাকপু মতেং পাঙবি। ঐখোয়গী খুঙ্গংদা জিম অমা লৈরি। মসি ঐগীদমক খল্লগা হাংবিরি। মসিনা নুমিৎ খুদিংগী ঐহাক্না হকচাং শাজেল তৌরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী বোক্সর মনিস কৌশিক কম্মনৱেল্থ গেমসকী নুপাগী কেজি ৬০ গী ফাইনেল বাউটতা ওষ্ট্রেলিয়াগী বোক্সর হরিসন গারদাইদকী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা সিলভর মেডল ফংহৌখি। অদুবু মনিস কৌশিকনা ওষ্ট্রেলিয়াগী হরিসন গারদাইদপু মায়থিবা পীরম্লগা টোকিও ওলেম্পিক গেমসকী কোটা ফংবা ঙমখি।

মনিশ কৌশিক চহী ৮ গী মনুংদা মতম কুইনা য়ূমদা লৈবা ফংবদা নুংঙাইবা ফাওরি। মসিগা লোয়ননা হোম মিনিষ্ট্রিগী মায়কৈদগী লোকদাউনদা এথলেটশিংগী কোমথোরকপদা নুংঙাইবা ফাওখি। ঐহাক্না য়ূমদা লৈরবসু কেম্পতা লৈদুনা ট্রেনিং তৌবনা খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাই হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# এগজামিনেসন পাঙথোক্লগনি

ন্যু দিল্লি, মে ১৮ ঃ
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদুকেসন (সি বি এস ই) গী ক্লাস টেন অমদি টুয়েল্বকী এগজামিনেসনশিংগী পন্দুনা লৈহৌবা সবজেক্টশিংগী মতম জুলাই ১ দগী ১৫ ফাওবদা পাঙথোক্লগনি হায়না নোটিফিকেসন থোকখ্রে।

নোটিফিকেসন অদুগী তুং ইন্না ক্লাস টুয়েল্বকী হোম সাইন্সকী এগজামিনেসন জুলাই ১ দা, ব্যুজেনেস ষ্টদিজগী জুলাই ৯ দা অদুগা বাইও টেক্নোলোজিনা জুলাই ১০ দা পাঙথোক্কনি। জিওগ্রাফি পেপরনা জুলাই ১১ দা পাঙথোক্কনি। সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট এক্টকা মরী লৈননা থোকখিবা ইরাংনা মরম ওইদুনা এগজামিনেসন য়েথোকখিবা নোর্থ ইষ্ট দিল্লিগী ওইনা ক্লাস টুয়েল্বকী ফিজিক্স পেপর জুলাই ৩ দা, একাটেন্সিনা জুলাই ৪ দা অদুগা কেমিষ্ট্রিনা জুলাই ৬ তা পাঙথোক্লগনি।

ক্লাস টেনগী পন্দুনা লৈহৌবা এগজামিসেনশিংনা জুলাই ১ দগী হৌরগা নুমিৎ ৪ চুপ্না পাঙথোক্কনি। অহানবা পেপরনা সোসিয়েল সাইন্স অদুগা অরোইবা পেপরনা ইংলিস ওইগনি। জুলাই ১০ দা হিন্দি পেপরশিং অদুগা জুলাই ১৫ ইংলিস পেপরশিং পাঙথোক্কনি।

# ভাদোদরাদগী লাকপা ট্রেন জিরিবামদা থুংলরে, সেনাপতিগী দি সি নেগেটিভ ওইরে

ইম্ফাল,মে ১৮(এসএন এস) ঃ
গুজরাটতা লমদন্দুনা লৈরম্বা মণিপুরী ৬২৯ ঙসি অয়ুক পুং ৫.১৫ রোম তাবা মতমদা জিরিবামদা থুংলবগা লোয়ননা মীওইশিং অদু ইম্ফালদা য়ৌরকখ্রে। মুম্বাইদগী লাকপা মীওইশিংগা নকশিন্না লোয়নরুবগীদমক সেনাপতি দিষ্ট্রিক্তকী দি সিগী সেম্পল য়াওনা কন্টেক্ট ত্রেচিংদা থেংনখিবা মীওইশিংগী সেম্পল ২৬ মক নেগেটিভ ওইরে।

জিরিবামদগী ফংবা পাউনা হায়, হৌখিবা মে ১৫দগী গুজরাটকী ভাদোদরা রেলৱে ষ্টেসনদগী থাদোরকখিবা ট্রেন অদুদা মণিপুরদগীতা নত্তনা সিক্কিম অমদি মেঘালয়গী মীওইশিংদু তোংলকখিবনি।

ট্রেন অদু ঙসি অয়ুক পুং ৫.১৫ রোম তাবা মতমদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদা থুংলকখিবনি। ত্রেন অদুনা রেলৱে ষ্টেসনদা হেক থুংলগা সেনিতাইজ তৌরবা মতুংদা পেসেঞ্জরশিং অমমমতা ওইনা কুমথহল্লবা মতুংদা মফম অদুদা হাংদোক্লিবা মেদিকেল টিমনা স্ক্রিনিং তৌখি। তুংদা মফম অদুদা লৈরিবা বসশিংদা ইম্ফাল অমদি পেসেঞ্জরশিং অদুগী মরী লৈনবা দিসষ্ট্রিক্টশিংগীদমক জিরিবাম থাদোরকখ্রে।

অমরোমদা হৌখিবা মে ১৩ দা মুম্বাইদা লায়েংবা চৎলুবা মীওইশিং পুবা বস অমদা তোংলকপা মীওই ৩৬কী অচা অথক শিল্লুবা দি সি সেনাপতি য়াওনা কন্টেক্ট ত্রেচিংদা থেংনরকপা মীওই ২৬ গী সেম্পল য়াওনা ঙসি রিমসতা টেষ্ট তৌখিবা সেম্পল ১৪৯ লোইনমক নেগেটিভ ওইরে হায়রি। হৌজিক ফাওবদা রিমসতা সেম্পল ১৩৮৪ অমদি জেনিমসতা সেম্পল ১১২০ টেষ্ট তৌখ্রে।

ঙসি অয়ুক মাও গেট এন্ট্রি পোইন্টতা রিপোর্ট তৌরখিবা দিল্লিদগী লাকপা নর্স অহুম অসি দিল্লিদগী কোভিদ ১৯ নেগেটিভ ওইরে হায়না সর্টিফিকেট পীরক্লে। মখোয় অহুম্মক ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজদা ক্বারেন্টিন তৌরি। ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিদা বসতা মীওই ৫৭৮৫ অমদি ত্রেনদা মীওই ৪২৩৭ ষ্টেট অসিদা থুংলখ্রে হায়না কোভিদ–১৯ কন্ত্রোল রুমদগী প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অমরোমদা রিমসকী কোভিদ ৱার্দদা ঙসি ব্লদ প্রেসর, পল্স, রেস্পিরেসনগী চাং, ঈদা য়াওবা ওক্সিজেনগী চাং অমদি ই সি জি খঙবা ঙম্বা অনৌবা মোনিটর অমা হাপচিনখ্রে। হয়েং সি–পেপ অমদি বিপেপ মেছিনসু ইন্সটোল তৌরগনি হায়রি।

# লোত্তুনা লৈরিবা মপুরোইবা অথুবা মতমদা পুথোকপিয়ু

ইম্ফাল, মে ১৮(এস এন এস)ঃ
চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২৫দা নুপা ময়ূমদা শিদুনা লৈরম্লবী সমিরন বিবি এলাইজ নানাওবীগী হৌজিক লোত্তুনা লৈরিবা মপুরোইবা তমিজুর রহ্মান মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা পুথোকপিয়ু হায়না মীশি অসিগা মরী লৈননা শেমখিবা জে এ সিগী চেরোলনা অমনা হায়রি।

জে এ সি এগেনষ্ট ব্রুটেল কিল্লিং ওফ সমিরন এলাইজ নানাওবী বোরায়াংবীনা, হৌখিবা ফেব্রুৱারি ২৫গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবা অদুৱাইদা বোরায়াংবী ময়াই লৈকাইদা লৈবী সমিরন বিবি এলাইজ নানাওবী মপুরোইবা তমিজুর রহ্মান হায়রিবী নুপীমচা অসি মহাক্কী মকুবোক, মনেপ্লোক, মনম্না, মচন্নুপীগা লোয়ননা মপুরোইবনা পুন্না লৌত্তুনরগা তমথিনা মওংদা হাত্তোকপিখ্রবী জে এ সিগী মায়কৈদগী মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি লৈঙাক্কী মফমদা ৱাফম খরা থমজরি। মদুদি নুমিৎ অসিগী নুমিদাং পুং ৭.৩০ তাবা মতমদা সমিরন বিবি মহাক্কী মপুরোইবগী ময়ূমদা শিদুনা লৈরম্বনি।

মহাক্কী মকুবোক এম দি অবদুল গাফরনা সমিরন শিরে হায়না লাওৱম্লগা চেনখিবনি। মীয়াম্না চেনশিন্দুনা য়েংলুবদা মহাক্কী মপুরোইবগী ইমুংগী মীওই অমত্তা ইমুংদুদা লৈরমদবনি। লৈখিদ্রবী সমিরন বিবি মহাক্কী কাদা ফিভম কাইনা শিরগা লৈরম্বা অদু লৈকাই মীয়াম্না থেংনখি। লোইননা অথুবা মতমদা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওই খরা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফাগৎপিদুনা হৌজিক জেলদা লৈরি। মসিগীদমক জে এ সিগী মায়কৈদগী থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

মখা তানা হায়জনিংবদি মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা হৌজিকফাওবা লোত্তুনা লৈরিবা সমিরনগী মপুরোইবা এম দি তমিজুরবু অথুবা মতমদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা ফাবিদুনা মীহাৎ অসিগী অচুম্বা ৱায়েল পুথোক্নবা হোৎনবীয়ু।

লোয়ননা অথুবা মতমদা ইনভেষ্টিগেসন তৌমিদুনা মরী লৈনবা খুদিংমক অথুবা মতমদা অচুম্বা ৱায়েলগা লোয়ননা চেন্নরিবা খুদিংমক চৈরাক ফংনবগীদমক মরী লৈননা ওথোরিটিনা অথুবা মতমদা চার্জসিট থাগৎপিদুনা মীহাৎ অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহল্লু। লোয়ননা হৌজিক মীহাৎ অসিগা মরী লৈননা জেলদা লৈরিবা মীওইশিং অসি অচুম্বা ৱায়েল ফংনবগীদমক ত্রায়েল চথদ্রিঙৈদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা বেল পীবিগনু। করিগুম্বা মখোয়বু থাদোক্লবা হোৎনরক্লবদি জে এ সি অমদি লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং কয়া চংশিল্লক্কনি হায়না জে এ সিগী চেরোল অদুনা মখা তানা হায়রি।